# শা-ষণ য়োকপদা চেজনবা (রেকোর্ড থম্বা)

**- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -**

ঐখোয়গী লমদমসিদা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু কয়া অমা য়োক্লরি অদুবু য়োল্লিবা খুদিংমক মওং মরীল নাইনা য়োকপা হৌবদগী হৌনা চেজনবগী হৈনবীসি কয়া উবা ফংদে। য়োল্লিবা খুদিংমক্কী চেজনবা হায়বদি রেকোর্দ থম্বসি য়াম্না মরুওই। রেকোর্দ থম্বীবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি য়োল্লিবা খুদিংমক্কী মরী মখোঙ কয়া অমা ইদুনা থম্বীহৌরগা মদুদগী পায়খৎকন্দবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়াই। রেকোর্দতা শা-ষণ য়োকপদা পাঙথোল্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ইশিনবীবা, মাগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, মপু/ডাক্তরশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অমা ইশিনবা য়াই। রেকোর্দশিংসি শা-ষণ মপুশিংনা নিংথিনা, ফজনা অমদি চুম্না ইবা মথৌ তাই।

**রেকোর্দতগী পীরিবসি :**

- ফার্মদুদা য়োল্লিবা খুদিংমক শেন্দোং লৈবা ঙল্লিব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- কাউখ্রবা হীরম খুদিংমক অমুক নীংশিংহন্দুনা মখা চথবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দ য়েংলগা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পীবা ঙমহল্লি।
- অনৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা য়োল্লিবা খুদিংমক্তা চঙলিবা ময়ামদু রেকোর্দকী মতেংনা কান্নরিবরা কান্নদ্রিব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা হান্নদগী শোথরল্লবসু মসিদগী হেন্না/ফনা থম্নবা মওংদা শেম্বীবা য়াই।

**রেকোর্দকী কান্নবশিং :**

- লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী শক্তাকপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা অফবা শা-ষণ খনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- রেকোর্দকী মতেংনা নক্লবা ঈ মরীগী মচা লৌহন্দবা ঙমহল্লি।
- ফার্মদুদা লৈরিবা অফবা শা-ষণ খন্দোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- ফার্ম শেন্নরিবা শিন্মীশিংসু রেকোর্দকী মতেংনা নিংথিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা লায়না লায়ওং কয়া খঙদোক্তুনা অমুক হঞ্জিন্না লাক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবা ঙমহল্লি।
- অমাঙ অতোঙ কয়া অমসু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- শা ষণগী পুথোরব্লিবা পোত্থোক কয়া অমা রেকোর্দকী মতুংইন্না মমল তিক্লরগা য়োনবা য়াই।

**রেকোর্দকী মখল ঃ**

**মরুওইনা রেকোর্দ মখল খরা ঃ (ক) শক তাকপগী রেকোর্দ ঃ** করিগুম্বা শা ষণশিং মশীং য়ামদনা থম্বা ওইরগদি শক তাকপগী রেকোর্দ থমদ্রগসু য়াই। য়াল্লগদি লায়না খঙবা ঙম্নবা শা-ষণ খুদিংমক্তা ট্যাটু তৌবা, মৈ ইকপা য়োৎনা হকচাংদা নম্বীবা, মনাদা নম্বর নম্বা নৎত্রগা কাচি কারোং শেমদুনা ককপা, মনাদা নম্বর য়াওবা থেৎপা, মমৈদা মশক খঙনবা থেৎপা অসিনচিংবা কয়া অসি তৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মঙক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী থৌরি থুবা নৎত্রগা মশাদা কোক্তবা মচু কয়া শঙবা অসিনসু শক তাকপগী রেকোর্দ ওইবা য়াই।

**(খ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ** মসিগী রেকোর্দসি য়াম্না মরুওই। মসিনা মচা লৌখ্রবা পুথোরক্কদবা পোত্থোক ময়াম অমা খঙবা ঙমহল্লি। ষণবুশিংনা চহী অমদা মচা অমা পোকপা হায়না পানরি। ওক্ল চহী অমদা মচা অনীরক পোকপা হায়না পান্নরি। করিগুম্বদা মচা লৌবগী রেকোর্দ ময়াম অমা থল্লগাদি লৌখ্রিবা শা-ষণদুদা থোক্লক্লিবা অশোয় অঙাম ময়াম অমা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদা হীট লাকপগী মতম, মচা লৌবগী মতম, করিগুম্বদা মচা কায়রকপা, মসিদা তৌবিহৌগদবা চেকশিন থৌরাংশিং, ময়াম অমা রেকোর্দকী মতুং ইন্না খঙদোকপীহৌরগা তুং কোয়না থমহৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমা খন্দোকহৌবা ঙমহল্লি। অসিগুম্বা ব্রিদিংগী রেকোর্দসিদা লৈরিবা শা-ষণদুগী মমা মপা, মপু মবেনগী মরমদা ইশিনবীহৌবা, মচা লৌখিবগী, পোকখিবগী, চহী কয়া শুবদা অহানবা চাবোক ওইখিবা, থংননা পোকপা চাবোক অনী মতম অমদি পোল্লিবা মচাদুগী মরমদা হায়বদি পোকপগী মওং মতৌ, মচাদুদগী অরুম্বা অসিনচিংবা ময়ামসি রেকোর্দ ওইনা থম্বীবা য়াই।

**(গ) পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দ ঃ** শা-ষণ, য়েন কয়া লোয়দুনা ফংলল্লিবা পোত্থোকশিংসি রেকোর্দ তৌশিনবীদুনা নোংমগী নৎত্রগা হাপ্তাদুগী নৎত্রগা মতম খরদুগী অমাঙ-অতোং খঙদোকপদা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণদুনা পুথোল্লিবা পোত্থোকশিংদু য়েংলগা তুং কোয়না থম্বদা কান্নরিবরা কান্নদ্রিবরা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।

**(ঘ) মচীঙ্গাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ**

মচিঙ্গাক্কী রেকোর্দতগী ঐখোয়না শা-ষণদা পীজরিবা মচীঙ্গাক্তুগী মখল, কয়া য়াম্না পীজখিবা অমদি মচীঙ্গাক্কী ক্বালিটিগী মরমদা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না নোংমদা চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না কয়াম য়াম্না পীজবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা কয়াম লেম্মী/মাঙই হায়বদুসু খঙবা ঙমহল্লি। পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দকা মচীঙ্গাক পীজবগী রেকোর্দকা য়াম্না মরুওই। মরমদি পুথোরল্লিবা পোৎথোক হায়বদি শঙ্গোম কয়াম পুথোকপগে হায়বদুগী মতুংইন্না পীজবীগদৌরিবা মফোনগী শরুক অদু হেনবা, ৱাৎনা পীজবীবা য়াই।

**(ঙ) লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ**

লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দসিনা মমাঙদগী কয়াম য়াম্না লায়না-লায়ওং উৎখ্রগে অমদি লায়েংবগী মওং খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা অমুক হঞ্জিন্না নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদগী তোঙান-তোঙানবা শা-ষণগী হকচাংগী ফীভম খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মতম চানা টিকা থাবা, তীলহাৎ হীদাক থাবা ঙমহল্লি। রেকোর্দসিগী মতেংনা থাখ্রিবা হীদাকশিংদুগী মতুংইন্না পুথোল্লিবা শা-ষণগী পোত্থোকশিংদু কয়াম কুইনা মীওইবনা চাবা য়াদবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ থম্বা মতমদা লায়না লাকপগী নুমিৎ, টিকা থাবগী, তীলহাৎ হীদাক থাবগী, শিখ্রগা পোষ্ট মোর্টেমগী রিজল্ট কয়া অমা হাপ্পীগনি।

**(চ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ**

শা-ষণ য়োকপদা চঙখ্রিবা অমদি লাল্লিবা খুদিংমক রেকোর্দ থম্বীগনি। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী অমাঙ অতোং খঙদোক্লগা ফার্মদুগী ৱারেপ কয়া অমা লৌবা ঙমহল্লি।

রেকোর্দ শেম্বগী মওং খরা ঃ **ক) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ**

| ষণ ন: | | | | |
|---|---|---|---|---|
| অকোনবা মচা পোকপা | ডাক্তরনা য়েংবা নুমিৎ | য়েংবগী রিমার্ক | মচা লৌবা নুমিৎ | মচা পোক্কদবা নুমিৎ |
| | | | | |

**খ) লায়না লাকপা অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ**

| নুমিৎ | শা ন: | লায়না মখল | লায়েংবা মওং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

**গ) টিকা থাবগী রেকোর্দ**

| নুমিৎ | টিকা থাবা | টিকাগী মখল অমদি চাং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

**ঘ) তীল হীদাক থাবগী রেকোর্দঃ**

| নুমিৎ | তীল হীদাক থাবা | তীল হীদাক মমিং অমদি মখল | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

**ঙ) মচীঙ্গাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ**

| নুমিৎ | শা মশীং | মচীঙ্গাক পীজবা (কেজি) | | | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|---|
| | | অয়ূক্তা | নুমিদাংৱাইরম | পূন্না | |
| | | | | | |

**চ) ষণাও মচাগী রেকোর্দ ঃ**

| ন: | পোকপা নুমিৎ | লাবা/অমোম | মপা ন: মমা ন: | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

অসুম্না শা-ষণ লোয়বিরিবশিংনা রেকোর্দ নীংথিনা থম্বীরগদি মতম মতমগী ওইবা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা শা-ষণ য়োকপা ঙমগনি। ●

# ঙা মশা তেক্লা থম্বা অমদি মসিগী কান্নবা

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঙা হায়বসি য়াম্না থুনা পথুগনবা পোৎশক অমনি। অতোপ্পা শা-উচেক অমদি মনা-মশিংশিংদগী খরা হেন্না পথুগনবা পোৎশক অমা ওই। য়েন-ঙানু, হামেং, ওকনচিংবদগী খরা হেন্না পথুগনবা পোৎশক অমা ওইবা মরম্না ঙা ফাদোক-ফাজিন তৌবা অমদি পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা খরা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ঙা ফাবা অমদি পুথোক-পুশিন তৌবা মতমদা ঙাদা অৱাবা য়াম্না পীরবা অমদি অশোক-অপন থোকহল্লবদি ঙাশিং অদু য়াম্না থুনা পথু-পুমথবা থোকহল্লি। মরম অদুনা মতাং অসিদা চেকশিন থৌরাং খরা হেন্না লৌহৌবনা ঙামী অমনা শেন্দোং লৈনা ঙা য়োনবা ঙমগদৌরিবনি। ঙাবু করম্না হিংনা পুগনি অমদি ফাদোক-ফাজিন তৌবদা করম্না চেকশিন থৌরাং লৌগনি হায়বদু খঙনা তৌরবদি শেন্দোং লৈনা ঙা য়োনবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঙাশিংবু হিংনা পুথোক-পুশিন তৌনবগী খুদোংচাদবশিং অদু করম্না চেকশিন থৌরাং লৌগদগে হায়বদু খঙলবদি অমুক্কসু হেন্না কান্নগনি।

ঙা ফানবা ঈলনা খোনবা মতমদা ঙাদা অশোক-অপন খরা থোকই অমদি ঈলদগী নাপ্তোকখিনবা হোৎনবা মতমদা ঙাদা অৱাবা কয়া পীবা মরম্না ঙা অদু শিরবা মতমদসু খরা থুনা পথৈ। ঙা ফাবা মতমদা ঙাদা অৱাবা পীদনবগীদমক্তা ঙা য়োল্লিঙৈ মতমদা তোয়না ঈল খোন্দুনা ঙাদা ঈল খোনবগী হৈনবী ফাওহনগদবনি। শম্না হায়রবদা ঙা ফাবা মতমদা য়ারিবমখৈ ঙাদা অৱাবা পীবিরোইদবনি। ঙা য়োল্লিবা পুখ্রিদা ঈল খোনবগী কান্নবা অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা পুখ্রিদা লৈরিবা ন্যুত্রিএন্টশিং ফজনা চাইথোকহনবা অমদি পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমায়দা য়াওবা মহু চেনবা পোৎশকশিং মথক্তা পাইথোকহনখিদুনা ঙাবু মশা ফহল্লি।

**ঙা হিংনা পুবা :** করিগুম্বা ঙা য়োল্লিবা মফমদগী ঙা য়োনগদৌরিবা মফম অদু য়ৌবা মতমদা পুং তরুক্তগী হন্থনা চংবা মফম ওইরবদি ঙা হিংনা য়োনবনা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

১) অহিংবা ঙা ওইনা য়োনবা ঙল্লবদি ঙা অদু মশা তেকই হায়বা খঙলবনিনা য়োনবা মতমদা চাদা ২০-৫০ ফাওবা হেন্না মমল হেনগৎলগা য়োনবা ঙমগনি।

২) ঙা লৈরিবা মীওইশিংনসু ঙা অহিংবনা হেন্না পাম্নে। অদুগীসু মথক্তা ঙাগী মহাওসু হেল্লি।

৩) ঙা হিংনা পুবা মতমদা উন শীজিন্নদে অমদি অতোপ্পা থৌওংশিং শীজিন্নদবা মরম্না ঙাবু পুমথহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী চংগদবা শেল অদু হন্থহনবা ঙমগনি।

**ঙা হিংনা পুনবগীদমক্তদি মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগদবনি :**

১) ঙা ফাবা মতমদা নুংথিলগী মতম হায়বদি নুংশাগী মৈশা খরা হন্থরল্লবা মতমদা ফাবীগনি।

২) ফারবা ঙাশিং অদু হাপ্পা (Happa) অমদা হাপ্পীদুনা নুমিদাং অমা ঙা লৈরিবা পুখ্রিদুদা থম্বীগদবনি। মতম অসিদা মথি ফজনা ফাইদোকখিবা মরম্না পুথোক পুশিন তৌবদা ঈশিং মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থগনি।

৩) ঙা হাপকদৌরিবা পাত্রশিং অদু গাড়ীদা হাপ্লবা মতুংদা অঈংবা ঈশিং হাপ্পীগনি।

৪) ঐখোয়না চানরিবা থুম অসি ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ১০গী চাংদা হাপ্পীগনি।

৫) ঈশিং লিটর অমদা ঙা গ্রাম ৫০০দগী কিলোগ্রাম (অমা) ফাওবা হাপ্পীগনি।

৬) য়ারিবমখৈ ঈশিং অদু লেংহন্দনবা হোৎনবীগনি।

৭) ঙা পুরিবা পাত্রশিং অদুদা য়াওরিবা ঈশিং অদু পুং তরুক খুদিংগী নৎত্রগা ঈশিং মোৎশিল্লকপা খুদিংগী শিন্দোকপীগদবনি।

**ঙা হিংনা পুবা মতমদা তৌবীগদবা চেকশিন থৌরাং খরা :**

১) কৈদৌঙৈদসু ঙাগী মচীঙ্গাক, গ্লুকোজনচিংবা হাপ্পীরোইদবনি। মরমদি ঙানা শ্বর ফুল্লকপা মতমদা ঙাগী মচীঙ্গাক্লা কৈদৌঙৈদসু ঙাবু হিংহনবা ঙমদে।

২) এরিয়েটর শীজিন্নদুনা ওক্সিজেন হেনগৎহল্লবদি য়াম্না কান্নগনি।

৩) ঈশিং মোৎশিল্লকপা মতমদা নৎত্রগা পুং ৬ শুরকপা খুদিংগী ঈশিং শিনবীবা কাউবীরোইদবনি।

৪) ঈশিং ঈংথহন্নবা উন খরা শীজিন্নরবদি অমুক্কা হেন্না কান্নগনি।

৫) ঙানা থাদোরকপা অমোৎপা নৎত্রগা মহু চেনবা পোৎশকশিং চুপশিনখিনবা এক্টিবেটেট চারকোল (মৈতাল) শীজিন্নরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

**উন হাপ্তুনা ঙাবু পুমথহন্দবা :** উন হাপ্পনা মাইক্রোবিয়েল হায়বদি মহিক-মতাইশিংনা ঙাবু পথুহনবা অমদি ঙাদা য়াওজরিবা এনজাইমশিংনা ঙাবু পথুহনবা অদু থিন্থহল্লি। হায়রিবা থৌওং অসিদা চোংগাংগী পাত্র শীজিন্নবা কান্নগনি। চোংগাংগী পাত্রশিং অসি মৈশা ফাওবা ঙমদবা, য়াম্না য়াংবা, কুইনা চৎপা মগুণশিং চেল্লি। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপীবা মতমদা ঙা অমদি উনগী অরুম্বদু মান্নহগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুবা ঙাদু কিলোগ্রাম অমা ওইরবদি উন অদুসু কিলোগ্রাম অমা ওইহনগদবনি।

উন হাপত্রিঙৈদা ঙাশিং অদু ফজনা চামথোকপীগদবনি। করিগুম্বা অমোৎ অকাই, ঈ থোকপা, ঙাগী মনাং য়াম্না য়াওবা নৎত্রগা লায়না লৈবা ঙা য়াওরবদি পাত্রদুদা য়াওবা ঙা পূম্নমক মাঙহনখিনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ঙাশিং অমদি উন হাপ্পা মতমদা সেন্টিমিটর ৫০দগী হেলহল্লোইদবনি। করিগুম্বা মসিদগী হেনবা তারবদি মখা থংবা শরুক্তা লৈবা ঙা অদু মথক থংবা শরুক্লা ননশিনখিদুনা অকায়বা থোরক্কনি। ঙা অমদি উন হাপ্লীবা পাত্র অদুগী কাচিন অমদা অহোবা মখুল মচা অমা হুৎপীগনি। মসিদা উন শৌদোরকপগী মহিশিং অদু মতোমতা চেন্থখিগনি।

**উনদা ঙা লিবগী থৌওং :-**

ঙাদু ঈশিং অঈংবদা শেংনা চামথোক্কনি

।

চাওবা অমদি মখল মান্নবা ঙাশিং খনদোক্কনি

।

মশা শোল্লবা ঙাশিং লৌথোক্কনি

।

ঙা হাপকদৌরিবা পাত্র অদু ঈশিং লিটর অমদা ক্লোরিন মিলিগ্রাম ১০গী চাংদা হাপ্লগা চামগনি

।

পাত্র অদুগী মখা থংবা শরুক অদু উন্না সেন্টিমিটর ৫ থানা হাপকনি

।

ঙা ফজনা হাপ্পীগনি

।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা হাপ্পা অমদি উন হাপ্পগী থৌওং অসি পাত্র অদু থন্দ্রিবা ফাওবা তৌবীগনি।

।

মথক থংবা শরুক অদু উন্না ফজনা কুপকদবনি

।

পাত্রদু মখুম খুমজিনগনি

অসুম্না ঙাবু তগৎ তগৎ-তেক্লা য়োনবা অসিনা ঙামীশিংদা কান্নবা পীবদা নত্তনা ঙা চারিবা মীওইশিংদসু হাওনা চাবা ফংহনবদা নত্তনা হকচাং ফহনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসিদি মফম অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙবা মরম্না ন্যুত্রিটিভ ভেল্যু হন্থবতা নত্তনা ঙাশিং অদু মতম কুইনা পুমদনবগীদমক করম করম্বা হীদাক লাংথক শীজিন্নবগে হায়বদু য়াম্না মুন্না থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ময়াম্না হায়নরিবা ফোরমেলিন হাপ্পনচিংবা থৌওং কয়া শীজিন্নবা থোক্লবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্লা লমদম অসিগী য়াইফনবা খরদা ওইরবসু পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নদুনা তগৎ-তগৎ তেকপা ঙা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# মনা-মশিংবু লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পায়খৎকদবা খোঙথাংশিং

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

ইঙ্খোল কোয়রিবা মনা-মশিং থারিবা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংদা খ্বাইদগী চাউনা শীংনবা পীরিবশিংগী মনুংদা থারিবা পাম্বীবু লায়না-তীলনানা মাঙ-তাকহনবা অসিনি। পাম্বীশিংবু লায়না থোকহল্লিবা অসি মপূং ওইনা কোকফাই, বেক্টেরিয়া, নেমাটোদ অমসুং ভাইরস কৌবা হিংকুপশিং অসিননি। কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিং অসি মপূং ওইনা নোং মরাং কায়না তাবা নৎত্রগা কা হেন্না লিক্লা তাবগা লোয়ননা অঈং-অশানা লুম্বু-লুম্বু শাবা মতমদা তোয়না থেংনগনি। অদুগা নেমাটোদ হায়বা মীৎনা উবা ঙমদবা অপীকপা তিন্থোক মানবা হিংকুপ অসিদি পাম্বীগী মরাদা চহী চুপ্পা লৈদুনা মচীঙ্গাক চাই। অদুবু হিংকুপসিনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মতমদি লুম্বু লুম্বুশাবা অঈং-অশা ওইবা মতমনি। অদুগা ভাইরসনা শোকহনবা লায়নাশিংদি মপূং ওইনা কালেন মতমদা তোয়না থোক্লল্লি। মরমদি মতম অসিদা ভাইরসশিংবু পাম্বী অমদগী অমদা শন্দোক্কদবা তীল-কাংশিং মপাঙ্গল কনবা মতমনি।

পাম্বী অমবু লায়না-তীলনানা মাঙ তাকহনবা হায়বসি পাম্বী, মাঙ তাক্কদৌরিবা জীব মখল অমসুং অকোয়বগী অঈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকগী মরক্তা লৈনগদবা মরী অদু চপ চানরবা মতমদা থোক্কদবনি। লায়না নৎত্রগা তীলনা থোকহনগদবা জীব অদু পাম্বী অমগা নক্লনা থল্লবসু লায়না-তীলনা থোকহনবদা মথৌ তাবা অঈং-অশা, নোংজু অমদি ঈনিল অদু চান্নদ্রবদি পাম্বী অদুদা করিসু তৌদে। মরম অদুনা হীদাক-লাংথক শীজিন্নদ্রবসু পাম্বীশিংবু লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়না পায়খৎলিবা লৌউ কাঙলোনশিং অসিদা লায়না-তীলনা থোকহনগদবা জীবশিংনা লৈবদা হৈনরোইদবা অকোয়বগী ফীভম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগদবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিংদি :-

১) মফম খনবা :- থাগদৌরিবা পাম্বীশিং অদুনা মথৌ তাবা লৈবাক-লৈহাও, নুংশা মঙাল অমদি লৈবাক্তা লৈগদবা ঈনিলগী চাং অদুগা চান্নবা ঐগী লৌফম শরুক খল্লগা পাম্বীশিং থাগদবনি। মদু নত্তদুনা ঐগী মথৌ তাবা য়েংলগা থারবদি পাম্বীশিং অদুদা অৱাবা পীদুনা লায়না-তীলনা থোকহন্নবগী মরম ওইরকপা য়াই। নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংবা, নুংশিৎ-নুংশা ওমশিন্দবা অমদি য়াম্না থুনা ঈশিং চুপথখিবা মফম ওইবসি অয়াম্বা মনা-মশিংনা পাম্মী। লৈবাক অদু চোৎ-চোৎ লাওবা অমদি উরুম-ৱারুম ওইনা তৌবা মফমদা হৌবা পাম্বীশিংনা মাগী অকোয়বা অদু ঈনিল ৱাংনা লৈবনা মরম ওইদুনা লায়না-তীলনা হেন্না তাগল্লি। নুংশা নিংথিনা ফংবা পাম্বীগী মনা অমদি মউ কুইনা চোৎলগা লৈতবা পাম্বীশিংদা মনাদা তাগদবা লায়নাশিং তাবগী চাং হন্থে।

পাম্বী ওন ওন্দুনা থাবা :- লৌফম অমগী অকক্লবা মফম অমদা পাম্বী মখল অমা নৎত্রগা মাগী কাঙলূপকী পাম্বীশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন থাবনা লায়না-তীলনা থোকহনগদবা জীবশিং য়ামখৎহন্দুনা পাম্বীশিংবু মাঙ তাকহনবদা মতেং পাংই। লৌফম অদুগী অকক্লবা মফম অমদা থারিবা পাম্বী অদু নৎত্রগা মাগী কাঙলূপকী পাম্বীশিং মফম অদুদা অমুক থাবিগে হায়রবদি য়ামদ্রবদা চহী ৩-৫ ফাওবদি কান্নবীগদবনি। অসুম তৌবসিনা পাম্বীগী মউ অমদি মনাদা তাবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। পাম্বীগী মরু-মরা পূম্বা লায়না অমদি নেমাটোদনচিংবশিংগীদমক্তি অকক্লবা মফম অদুদা থাবা মতম হেন্না শাংনা কান্নবা অমদি অতোপ্পা থৌওংশিং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

মান্নবা পাম্বীগী কাঙলূপশিং

| Alliaceae | Brassicaceae | Cucurbitaceae | Fabaceae |
|---|---|---|---|
| তিলহৌ, চনম নাকুপ্পী | কোবী, হঙ্গাম মখলশিং হঙ্গাম মরূ কাবী, কোবী মরূ কাবী | খোংদ্রুম, মাইরেল থবী, চিনার, তর্ব্বুজ দশকুশ | হৱাইগী মখল |
| Solacea | Malvaceae | Chenopodioideae | |
| খামেন অশিনব-শিং | ভেলন্দ্রি | চেঙকুপ, পালংশাক | |

পাম্বী থাবগী মতম :- থাগদৌরিবা পাম্বী অদুগী মরূনা মতোন চোংবদা মথৌ তাবা লৈবাক্কী মৈশাগী চাং অদু লৈতবা মতমদা মরূ অমসুং চারাদা তাগনবা লায়না কয়া তানবগী মরম ওই। করিগুম্বা লায়না নৎত্রগা তীলনা অমা য়াম্না তাগনগদবা মতম অদু লাম্থোক্লবা মওংদা পাম্বী থাবীরবসু পাম্বীশিংবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হৱাইথরাক ঙন্না থাবনা হৱাইদা তাগনবা কোকফাই মফোল কাবি লায়নাশিং অমসুং মহৈদা তীল চঙবা মখলদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

অকুং অরন চানা থাবা :- পাম্বীগী অকুং অরন চুম্না থম্বনা পাম্বীশিংগী অকোয়বদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহন্দুনা পাম্বীগী মনা অমদি মউদা পকপা ঈশিং/লিক্লা থুনা কংহন্দুনা মনা, মউদা কোকফাই অমদি বেক্টেরিয়াশিংনা হৌগৎকদবদগী থিংবদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক মরী চৎপা পাম্বী মখলশিংগীদমক মরীশিং অদু মনীং তম্না চৎখিবা য়ানবা শিন্দুনা মনা অমদি মউশিং অমগা অমগা ননশিন্দনবা হোৎনবনা লায়না-তীলনা তাগদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

মওং মরীল চুম্না ঈশিং পীবা : পোৎ থারিবা মফম অদু মতম চুপ্পা চোৎতুনা লৈবনা লৈবাক্তগী থোকহনবা লায়নাশিং থোকহন্নবগী মরম ওই। ঈশিং চাইবদা মনাগী শরুক চোৎহনবনা মনাদা তাবা লায়নাশিং শন্দোক্লবগী মরম ওই। অকংবা অমদি শাবা মতমদা ঈশিং তোয়না চাইরবসু অঈংবা মতমদদি ঈশিং তোয়না পীবগী কান্নবা লৈতে। ঈশিং চন্নবগীদমক দ্রিপ তৌরগা ঈশিং পীবনা খ্বাইদগী ফৈ। অদুগা লম পীক্লবদি খূৎনা চাইবীরবসু য়াই। তৌবতদি ঈশিং অদু য়ারিবমখৈ মনা অমদি মউ চোৎহন্দনা পাম্বী মখোঙদা চাইবীগদবনি। লায়না শন্দোকপগী মীৎয়েংদা য়েংলুরবদি স্প্রিঙ্কলর শীজিন্নবসি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইদে অদুবু স্প্রিঙ্কলর শীজিন্নগে হায়রবদি নুংশা নীংথিনা থোক্কদবা নুমিৎকী অয়ূক্তা ওইনা ঈশিং চনবীয়ু। মসিনা মনাদা পকপা ঈশিংশিং থুনা কংহন্দুনা পাম্বীদা লায়না শন্দোক্কদবদগী থিংবদা মতেং পাংই। য়ারিবমখৈ লৌফম অদু চপ চাবা ঈনিলগী চাংদা থম্বীদুনা খামেন অশিনবা অমদি মোরোক মনীং মুনা পুমশিনবা লায়নাদগী থিংবদা মতেং ওই। লৌফম অদু চোৎলিঙৈ নৎত্রগা পাম্বীশিং লিক্লানা চোৎলিঙৈ অয়ূক অঙনবদা ইঙ্খোলদা চঙবীগনু। মসিনা শেৎলিবা ফি অমদি অচোৎপা খূৎনা লায়নাগী মহীকশিং পাম্বী অমদগী অমদা শন্দোকপদা মতেং ওইনি।

লৈমায়গী শরুক খুমজিনবা :- পাম্বী থারিবা মফমগী লৈমায়গী শরুক খুমজিনবনা লৈবাক্কী লৈরিকশিং চোংখৎলক্তুনা মনা অমদি মউদা নপ্লগা থোকহনবা য়াবা লায়নাশিং থিংবদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক মসিনা নাপী হৌরক্কদবদগী থিংবগা লোয়ননা ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বদা মতেং পাংদুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহল্লি।

ষন্থি-ষণয়ুং অমদি পাম্বীগী মচীঙ্গাকশিং কাঙলোন চুম্না পীবা : পাম্বীশিংদা মথৌ তাবা মচীঙ্গাকশিং মতম চানা ফংবনা পাম্বীশিং শাহৌ ফনা হৌগৎহনবগা লোয়ননা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওই। পাম্বীগী মচীঙ্গাকশিং ফংহনবতা নত্তনা ষন্থি-ষণয়ুং মরাং কায়না লৌফমদা পীবনা লৌফমদা কান্নরবা হিংকুপশিং মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংদুনা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদসু মতেং লই। লৌফম অমদা ওর্গানিক কার্বোনগী চাং অসি ১.১৬-২.৯১% চাংদা লৈবা মতমদা পাম্বীশিংনা হৌবদা নীংথিনা হৌবা ঙম্মী।

হাবেংবা :- লৌফমদা হৌরিবা নাপীশিংনা পাম্বীশিংদা লায়না অমদি তীলনা থোকহন্নবগী মরম ওইবা য়াই। নাপীশিং অসিদা লায়না নৎত্রগা তীলনাগী মহীকশিং লোৎনবা মফম ওইদুনা মখোয়না খুদোংচারবা মতমদা পাম্বীশিংদা লান্দারক্তুনা লায়না তীলনা থোকহল্লি। অমরোমদা অমুক নাপীশিং অসিনা হৌরিবা পাম্বীশিংগা নুংশা মঙাল পাম্বীগী মচীঙ্গাক মুন্নদুনা পাম্বীশিং অদু নাওশোন্নহল্লি অমদি লায়না তীলনানা লাইনা লান্দাবদা মতেং পাংই।

তরু-তনান্না থম্বা :- পাম্বীশিংবু লায়না থোকহনবা য়াবা অউবা পোৎলম খুদিংবু লৌথোকপীদুনা কাঙলোন চুম্না মাঙহনবীখিবনা পাম্বীশিংদা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

মতৌ অসুম্না কাঙলোন চুম্না পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং মতম চানা পায়খৎপীরবদি লায়না তীলনা তাবগী চাং হন্থহন্দুনা হীদাক লাংথক শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।